থম্মোয় পাউদম

# রামজনগী রোজা মনুংসিদা খল্লকপা ৱাখল

মীওইবা ঐখোয়গী 'থাজবা' হায়বা পূক্লিং-ঈহুল অসি য়াম্না তমথীবা 'ফেনোমেনন' অমনি। কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা অমদা চপ য়ুংনা থাজখ্রবা, মদু অমুক হোংহনবা অরায়বা থবক অমা নত্তে। মরমদি থাজবা অদু অহিং অমদা/নুংথিল অমদা কনাগুম্বা অমনা থমায়রগা হেক্তা পোকহল্লকপা ঙম্বা নত্তে। থা কয়া, চহী কয়া চঙনা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং খাক্তনা পূক্লিং ৱাখল-লু-তোং পুম্নমক্তা মচু শঙহল্লকখিবা থাজবা অদু ফনা লৌশিং শিংবা লাইপোক অমনা হোৎনরবসু তরাইনা হেক কোকহনবা ঙম্লোই। কৃষ্ণ, জিসস-অল্লাহনচিংবদা পোকহনখিবা থাজবা, মপোক লাংওন কয়া চঙননি। মখোয়শিং অসি মীওইবনা শেমগৎলগা ওন্ন-তৈননা থাজহল্লম্লিবনি... 'লাই/ঈশ্বরনা মীবু শেম্বনি'...।

অদুবু, মুন্না খনজিল্লুরবা খঙলক্কনি- থাজবা হায়বসি খঙদবদই থোকপনি। মীওইবনা ঈশ্বর থাজরিবা 'খঙদব'দুননি। খঙলবদি মীওইবনা- 'ঐ লাই থাজে' কৈদৌনুংদা হায়রম্লোই। হায়রমগনি...'ঐ মাবু খঙগে'...। খঙদবদুনবু থিরিবনি। মাগী মতীক-মগুণ শৈথাদুনা মনাক নক্কবা হোৎনরিবনি। মাবু হরাওহন্নবা তৌহৈদবা কয়া তৌরিবনি। মানা নীংজবা, থাজজবা লাইদু নত্তবা অতোপ্পা লাই অমা নীংবা কাঙবুদু থাপতোকপা-অফবা থবক্লি হায়রিবনি। কয়াদা তমথীখ্রবা লীচৎনো! মসিনি মীওইবা। ৱাখল কৌবা তমথীরবা, শকউদবা শক্তি অমা পুথোক্লম্লিবা। ৱাখলদুনা অমুক শেম্লম্লিবা- 'মান্নদবা থাজবা ময়াম অমা'। মান্নদবা থাজবদুদগী থোক্লকপনি- মান্নদবা লাইনীং লম্বী।

য়েৎননীংঙাই ওইবা, অসিগুম্বা ৱাফমসি তোকসি। মখা তানা ইরুরগা পাবীদবসু য়াই অদোম্না- ৱাখল খূৎখন মান্নদবনা। মরী লৈনবা ৱারী খরদি শানসি, ৱাফমসি হৌদোক্লুরবনা। ময়ামসু খঙবীরম্লগনি- হৌজিক, ইস্লাম লাইনীং থাজজবা মরূপ-মপাংশিংগী, চহী-থাজৎকী মাপনশুবা থা, রামজন নৎত্রগা রামদন-থা'নি। মখোয়না থাজজবা তাইবং মপূ 'অল্লাহ' মাবু পেলহন্নবা থাবুম অমা চঙনা নোং-ফুং ঙাল্লকপদগী নুমীৎ তাবা ফাওবা চরা হেন্দুনা অৱাবা খাঙই। অসুম্না, চরা হেন্দুনা অৱাবা খাঙবই থবক্তুবু 'রোজা' কৌই। রামজন/রামদন থা অসিমা চরা হেন্দুনা লাইশোন পাঙথোক্লিবসি 'কুরান'/'কোরান' কৌবা মপূগী য়াথং পরেং অদু 'মুহম্মদ' মশামক্তা তাইবং মপূ (অল্লাহ) মশামক্না ইহান হান্না ফোঙদোক্লম্বা থৌদৌ/থৌদোক অদুবু নীংশিংবনি। 'রামদন' ৱাহৈ অসি আরাবিক ৱাহৈ 'রামিদা' (মৈ হৌনা শারবা) হায়বা অদুদগী হৌরকপনি। ইস্লাম লাইনীং পামজনা লৌরুরবা, মপূম-মরৈ ফারবা মুস্লিম অমনা রামদন থাদা রোজা পাঙথোকপা (চরা হেনবা) তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। অদুবু তুরৈ-ইরৈ চেন্না নারবা অনাবা, মশা শোল্লবা অহলশিং, মীরৈবাক্তা (ময়ূমগী ৱাংমদা) লম কোয়দুনা লৈরিবশিং, মীরোল্লিবী অমদি থাগী খোঙকাপ মনুংদা লৈরিবী নুপীশিং, অপীকপা-মচা খোম পীথক্লিবী মমাশিং, ঈশিং-পূকচৎ (দাইবেটিস) নারিবা অনাবশিং অমদি কুম-লায়না পক্লবা মীওইশিং... মখোয়গীদমক্তি চরা হেনবদগী কোমথোকই। চাকহেন থা লোইরগা 'সৱৱল' থাগী অহৌবা, থা উবা নুমীৎ অদুবু 'ঈদ-উল-ফিতর' হায়না মুস্লিমশিংগী খ্বাইদই চাউবা কুম্মৈ (ফেষ্টিবেল) ওইনা পাঙথোকই।

পুম্নমক্লা খঙনরবা পাউ অসি- তম্লুবগী কান্নদে, অনৌবা পাউ নত্তে-খঙই ঐ। কুমহৈসিগী মতাংদা অতোপ্পা অহেনবা পাউ অমসু লৈতে ঐগী ইফমদা। ঐনা তাজবা-খঙজবা খরা তম্লিবসিসু মুস্লিম ইচিন-ইনাওশিংনদি শোয়দনা নোক্লীংগনি হায়বসু ঐ খঙজদবা নত্তে।

ইস্লাম লাইনীং অসিগী মপান্থোংগী মশক নত্তবা, নুংগী ওইবা, আত্তুন লৈবা অচুম্বশিংদু থিবদা ঙাওজবা খরসু লৈ। সুফিজম হায়না খঙনবা ৱাখল্লোন অসিদা থাজজবা লাইনীংবা কয়া অমসু মশীং খঙদনা থোক্লকখি। ঙসিসু লৈরি, থোক্লক্লি, থোক্লকখিনি। অদুগুম্বা লাইনীংবা, লুচিংবা-হজরত মুহম্মদকী তুংইনবা, হজরত জুনায়দ কৌবা নুপা অমা ইং শোক ৮৩৫ দা পোক্লগা ৯১০ দা তাইবংপান থাদোকখিবা নুপাদু ঙসি, মুসলমানশিংগী রোজা মনুংসিদা নীংশিংলকপনি। ইস্লামগী নুংগী ওইবা শক্তমদুগী ফজবদা ঙাওজবনি। মহাক্না মশাগী চহী তরেৎখক্তা ঙায়রিঙৈদা হজ্জ চৎখি। মতমদুদা অহল ওইরবা, খঙল-হৈরবা লুচিংবশিংগী নৈন- মীফম অমদা মহাক্না হায়খিবা ৱাফম অমগীদমক জুনায়দ থোইদোক্লা মমিং চৎখি। নামাজ তৌবা (লাই খুরুম্বা) হায়বসিবু করিনো? ...'নামাজ তৌবা হায়বসি অল্লাহ (ঈশ্বর /তাইবং মপূ) মাবু থাগৎপনি, মানা ঐখোয়দা পীবীরম্লিবা ময়ামসিগীদমক মাগী য়াথং হিক্তোক্তনা ঈথৌ তৌরগা'... পীক্লিবা জুনায়দনা খুমখিবা পাউখুম অদুনি।

মহাক্তি মতম চুপ্পদা ইচম চম্বা পূন্সি লেনখি, মশাদা লৈরিবা পাক-চাউরবা লৌশিং পূক্কে অদুগীদমক চাউথোকচখিদে। মতম খরা মহাক, নহা ওইরিবা, হে শিংলবা নুপা-পাখঙ অমগা থবক শুমিন্নরম্মী। মতমদু মহাক অহল ওইশিল্লক্লবা মতমনি। মহাক্না হায়বা ৱা নহাদুনা কয়া তানীংলমদে। পাউতাক পীর'সু লৌনিংদে। মহাক্না তৌরিবদুনা মরোইরে, হায়রিবদুনা মফরে- মসিনা খ্বাইদই ফবনি, অচুম্বদু মসিনি... তাক্লবা হোৎনৈ জুনায়দ'তা। নোংমদি, জুনায়দনা ঈংনা হায়রকখি, 'ইবুংঙো, নঙগুম্না শিংনবা, নঙগুম্না খঙনবা নঙগী চহী মতাংদু ঐনা কৈদৌঙৈ য়ৌরক্কনি'? মহাক পোক্ত্রিঙৈ চহী ১৩০০গী মমাংদা গ্রীক ফিলোজোফর সোক্রেতিস'না হায়রম্মী... 'ঐনা নহা ওইরিঙৈদদি ঐসি য়াম্না খঙবোই নীংলম্মী, অহল ওইরগা খঙলকই- ঐদি করিসু খঙলমদ্রে'...।

ৱারী অসি চরা হেন্দুনা ঈশ্বরগী মনাক নক্কনবা হোৎনবা, মাগী মগুণ শৈথাবগী মতমসিদা, শকউদবা কনাগুম্বা অমনা ইনশিন্দুনা ইহল্লক্লিবনি।



লৌশিং পূক্কে

# সী টি স্কেননা অঙাং অমসুং চহী নৌরিবা মীওইশিংদা ল্যুকেমিয়া অমদি ব্রেন ট্যুমর ওইহল্লকপগী খুদম ফংলে



হৌখিবা চহী ২০ গী মনুংদা ডোক্তরশিংনা তোঙান তোঙানবা লায়ওং খঙদোক্লবগীদমক কম্প্যুটেদ টোমোগ্রাফি (সী টি) স্কেন শীজিন্নবগী চাং অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলক্কে। মসিদগী থাদোরকপা রেদিএসন্না মীওইবদা কা-হেন্না অমাঙ অতা থোকহল্লকপা য়াবগী খুদম থেংনরে। মখল কয়াগী লায়ওং খঙদোক্লবগী মতাংদা খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরিবা সী টি স্কেননা অঙাং অমসুং চহী নৌরিবা মীওইশিংদা ল্যুকেমিয়া অমদি ব্রেন ট্যুমর ওইহল্লকগী খুদম ফংলে হায়না নেদরলেন্দস কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী রিছার্সরশিংনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৭৯ অমসুং কুমজা ২০১২ গী মরক্তা সী টি স্কেন অমুরক নৎত্রগা হেন্না তৌখিবা নেদরলেন্দসকী অঙাং ১,৬৮,৩৯৪ দা কুপ্না থিগৎপদা সী টি স্কেনগী রেদিএসন্না কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবগী খুদম ফংবা ঙমখিবনি। ইচম চম্বা মীওইশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা সী টি স্কেন তৌখিবা মীওইশিংনা কেন্সর নারকপা য়াবগী চাং শরুক ১.৫ হেল্লি হায়রি।

ষ্টদি অমা লুচিংখিবা নেদরলেন্দস কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী মাইকেল হোপমেননা হায়খি, তঙাইফদবদগী মরুওইবা লায়ওং খরা খঙদোক্লবগীদমক সী টি স্কেন লৌবগী মথৌ তারবসু মসিদগী থাদোরকপা রেদিএসন্না ল্যুকেমিয়া অমদি ব্রেন ট্যুমর ওইহল্লকপগী খুদম ফংলে।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী রিছার্সর করিম চেমিনা হায়খি, ডোক্তরশিংনা অনা লায়েংবগী থৌরাং লৌখৎপদা সী টি স্কেননা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংগী মরমদসু খন্থবা মতম ওইরে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিাগী করিম চেমিনা লুচিংবা টিম অমনা খ্বাইদগী কম্মন ওইবা টেষ্টেক্যুলর কেন্সর মখল অমা ওইরিবা ননসেমিনোমাটস জর্ম সেল ট্যুমর লৈরবা মীওই ৭,৩০১ কুমজা ১৯৮৮ দগী কুমজা ২০০৬ ফাওবা কুপ্না য়েংশিনখি। কেন্সর লায়েংনবগীদমক সর্জরি তৌখ্রবা মীওইশিংদা য়াম্না তোয়না সী টি স্কেন তৌবনা সেকেন্দরি ট্যুমর ওইহল্লকপরা হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবগী মতাংদা থিজিনখিবনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিওলোজিদা প্রোফেসার ওইবা জোন বুননা হায়খি, দাইগনোষ্টিক সী টি স্কেননা মীওইবদা কেন্সর ওইহল্লকই হায়বগী খুদম ফংবা হন্দক্লা অহানবনি।

সী টি স্কেন লৌবদা থাদোরকপা রেদিএসননা মীওইবগী দি এন এ অমাঙ অতা থোকহল্লি। মশা-মউ ফবা মীওইশিংদদি অমাঙ অতা থোক্লুরবা দি এন এ পুম্নমক মথন্তা ফীভম ফগৎলকই। অদুবু চহী নৌরিবা অঙাং নৎত্রগা পাঙ্গল হন্থরক্লবা অহলশিংদদি অমুক হন্না ফীভম ফগৎলকপা ঙমদবনা কেন্সর ওইরকপনি হায়রি।

'দি লেন্সেট' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী রিছার্সরশিংনা হায়খি, অঙাং অয়াম্বা মকোক্তা খরা খজিক শোকখিবগীদমক সী টি স্কেন লৌবা মথৌ তাদে। মথৌ তাদনা অঙাংশিংদা সী টি স্কেন লৌবনা রেদিএসন অমসুং কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী রিছার্সর টিম অমনা মকোক্তা শোকখিবা অঙাং ৪২,০০০ গী মরমদা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটাল ২৫ দগী দেটা খোমজিন্দুনা য়েংবদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি।

কোক্তা ফীভম থীনা শোকখিবদগী মনুংদা কা হেন্না অমাঙ অতা থোক্লম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈত্রগদি য়ারিবমখৈ চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা সী টি স্কেন লৌরোইদবনি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী ইমর্জেন্সি মেদিসিন অমসুং পেদিয়াট্রিক্সকী প্রোফেসার নাথন কুপরমেননা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ন্যু জর্সিগী কেমদেনদা লৈবা কুপর য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালনা চথখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়, মীওই অয়াম্বা সী টি স্কেনগী রেদিএসন্না থোকহল্লকপা য়াবা অমাঙ-অতাশিংগী মরমদা খঙনদে।

'এনালস ওফ ইমর্জেন্সি মেদিসিন'গী ওনলাইন ইদিসন্দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা কুপর য়ুনিভর্সিটিগী ইমর্জেন্সি ফিজিসিয়ন বৃগিট বোমেননা হায়খি, সী টি স্কেনদগী থাদোরকপা রেদিএসনগা কুমজা ১৯৪৫ গী হিরোসিমাদা থাদখিবা এটোমিক বোমদগী থোরকখিবা রেদিএসনগা চপ মান্নৈ।

ইচম চম্বা চেষ্ট এক্স-রে লৌবা মতমদসু রেদিএসন থাদোরকই। অদুবু সী টি স্কেনদগী থাদোরকপা রেদিএসন্না শরুক ১০০ হেল্লি হায়রি। কুমজা ২০০৭তা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টতা সী টি স্কেননা অমেরিকান ২৯,০০০দা কেন্সর ওইহল্লকপগা লোয়ননা মীওই ১৫,০০০ শিখিরম্মী। মীয়াম্বু কিহন্নবগী পান্দমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকপা নৎত্রগসু য়ারিবমখৈ তঙাইফদবা কেস নত্তনা সী টি স্কেন লৌরোইদবনি হায়না নেসনল কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী এমি বেরিংটননা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

## মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ পাঙথোক্লগনি ঃ এমসু

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (এমসু) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, ৩০শুবা ষ্টুদেন্ট ইমানসিপেসন দে ওবজার্বেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮দা মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ৩০শুবা মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ পাঙথোক্লগনি হায়না এমসুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মহৈরোইশিংনা মহৈ-মশিন তম্বদা চঙবা কয়া ফংহন্দ্রবদি ফঙফম থোকপশিং তাল্লকপদা খোল্লাও লাওরকপা হায়বসি মহৈরোইশিংগী রাইটনি। কুমজা ১৯৭৩দা মণিপুর লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফমশঙ ওইরিবা মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফঙফম থোকপশিং পীবিনবা মতম অদুগী লৈঙাক্কী মফমদা হায়জরুবদা পীরক্তবদগী মহৈরোইশিংনা দেমোক্রেটিক ওইবা ইহৌ চঙশিনখি। মদুদা মোইরাং কলেজদা তম্বা মহৈরোই নিংথৌখোঙদগী হাওবিজম ইবোহলবু মিনুংশি হৈতনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপীখি। মহৈরোই ইবোহল পুন্সি পীখম্নখ্রবা ফাওবা পীফম থোকপা দিমান্দ পীদবদগী স্কুল অসিমক্কী মহৈরোইশিংনা কুমজা ১৯৭৯গী মে ২৬কী অহিংদা চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখি। মদুদা থৌদাং পুবা মহৈরোই মঙা পুলিসনা ফাখি।

মে ২৮দা স্কুল কলেজগী মহৈরোই কয়ানা মফম খঙদনা ফাজিন্দুনা থম্লিবা মহৈরোইশিং থাদোকপীয়ু, মখোয়বু থাদোক্ত্রবদি ঐখোয়বুসু ফাবিয়ু হায়না মহৈরোইশিংগী খোঙচৎ অমা চৎখি। থৌনা ফরবা মহৈরোই কয়া লোক অপ তম্না চঙশিনখি। মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মতমদুগী ও সিনা মহৈরোইশিংবু লোক অপ মনুংদা থোং লোনশিন্দুনা থম্লগা নোংমৈ কাপশিনখি। নোংমৈনা পাল্লবা মহৈরোইশিং লায়কন্নবা লাকখিবা এম ও ডা. ব্রজমোহন ফাওবা নোংমৈ উৎতুনা চঙহনখিদে। নোংমৈনা পাল্লবা মহৈরোই উরিৎখিনবম খেলেন অমসুং কুমাম সরত ঈ কা হেন্না চৎপদগী খোঙজং অসিবু মায় পাকহল্লকউকো হায়রম্লগা কুমজা ১৯৭৯গী মে ২৯দা অরোইবা য়াহিপ তানখি। থৱায় কৎখ্রবা মহৈরোই ইবোহল, খেলেন অমদি সরতকী থৌনা লিংজেলবু নীংশিংলি। মে ২৮বু মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ হায়না মিংথোন্দুনা মোইরাং মল্টি পরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লৈবা মহৈরোইশিংগী নুংশিং খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দকসু থা অসিগী ২৮দা মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ মোইরাই মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্লগনি। মসিগীদমক মপুং ফানা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

HL-B/5313/1/4-2june(alt)




## ইমপ্লোয়িবিলিটি স্কিলগী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজ এম য়ুনা ন্যু দিল্লি ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট দিল্লিগা খুৎশম্নদুনা ইমপ্লোয়িবিলিটি স্কিল এন্দ করিয়র পাথ ফোর দি য়ুথ ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

এম আই এম এস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা হায়খি, ইশাগী করিয়রদি ইশানা শেমগদবনি। ইশাগী করিয়র শেম্বদা অকিবা লৈতনা হোৎনগদবনি। মায় পাক্লনবা হোৎনবা মতমদা নিংহন্নবা লৈরোইদবনি। মী অমগী মশাদা য়াওজরবা স্কিলশিং অদু মীয়ামদা খঙহনবা চঙই। মী অমগী স্কিলশিং অদু উখোক্তনা থম্বা চুমদে। হৈথোই শীংথোইবা অদুনা তোঙান-তোঙাবনা হিরমশিংদা শীজিন্নবা য়াই। হৈথোই শীংথোইবা মীওই কয়ানা মতিং লৈবা চাওখৎপা লৈবাক পুরক্কবা হোৎনবদা থৌদাং লৌগদৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ন্যু দিল্লি ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টকী চেয়ারমেন ডা. বি এম বন্সালনা প্রসিদেন্ট ওইখি। মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদি এম য়ুগী দাইরেক্টর প্রোফের সি ঐচ ইবোহল, ন্যু দিল্লি ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টকী রেজিষ্ট্রার প্রো. তিনসিলনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা প্লানিং দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী জোইন্ট দাইরেক্টর কুলকারানিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। রিছোর্স পার্সন কয়ানা ইমপ্লোয়িবিলিটি স্কিলগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি হায়নসু পাউঅসিনা মখা তারি।

HL-B/5314/2/4-3/5




## থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

বৃটিসনা নীংতম্বা পীরম্বা মণিপুরগী নীংখা তম্বা নুমিৎ নীংশিং থৌরম চহীসিগী ওগষ্ট ১৪দা ইম্ফালগী রূপমহল থিয়েটরদা পাঙথোক্লগনি হায়না কষ্টম এন্দ ট্রেদিস্নেল ওবজার্বেসন কম্মিটিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিগীদমক ৱাখল লৌশিং অমদি পাঙ্গলগী তেঙবাং পিবীয়ু। নুমিৎ অসিদা অহিং অমগী মণিপুর হায়না মিংথোনবা দ্রামা অমসু উৎলগনি। দোক্যুমেন্ট কয়া য়াওনা পুথোরক্লবা দ্রামা অসি মীয়ামদা এৱেয়ারনেস পীবা ওইনা উৎকদৌরিবনি হায়নসু কম্মিটি অদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

HL-B/5371/5/2-2/7




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০৫।২০১৯ ইং,থাংজ,
কালেনগী ৭ নি পানবা।

মেষ : লন চাওখৎপা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্নবা অমদি অরাপ্পা মফমদগী কান্নবা ফংবা লৈগনি। অদুবু নচা-ননাইগী লমদা পেন্দবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: ৱাখল থোকপা, ললোন ইতিক্তা কান্নবা, অফবা মীংচৎ ফংবা লৈগনি। অদুবু অশাওবনা নরল মাঙহনবা য়াবা অমদি মতাং চাদনা ইচং থৌবনা চাদিং হেনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : খোইরাং খোইশাওবনা পোত্থাফম খঙলোই অদুনা পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু। মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি। য়েৎনবা মরমদদি য়াওদবা ফৈ। খুৎচাও থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙথোকপদা মীনা তানিংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : নুংঙাইবা নিংবা থুংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি লৌশিং থোক্না থবক পাংবা ঙমজবা অফবা নুমিৎনি। ৱানোম-থৌনোম মাই পাক্কনি। পাউদি ইনুং নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : থবক্কী পাউ নুংঙাইরনি, অফবা লৈফম ফংগনি অমদি মীয়ামগা অফবা মরী লৈগনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি পাইরক্কী লৌশিং ৱাৎলি-অরুবা ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নিংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: শেল-থুমগী থবক্তা চাওনা মাই পাক্কনি, য়েক্লবা ঙমদুনা থৌনা লৈনা অনিংবা থবক পাংবা য়াগনি। মীংচৎ হেনগৎলনি অমদি ঙাঙ শকপদা মীনা য়াম্না তানিংলগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নিংজবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : চিংনবা থাদোকউ অনিংবা থবক পাংগনি, য়েৎনবা লৈরোই অমদি মরুপ-মপাং ফংবৈ নুংঙাইবা লৈগনি। অঙম্বদি ৱাফংনবা তৌগনু। চোপ্পা য়াবা লৈ-ৱাঙাঙ হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক : অরুবা থবক নতোমতা পাংগনু, চরাংনবনা কাইনবা অমদি মীনা য়েংথিনবগী মরম ওইগনি। মীৱা লৌগনু অমদি লমদা হুরানবনা তাথি। থেংলপ্না মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পংশিন্নবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : ফিংগনু অমদি খৎন চৈনবা য়াবা মফমদা চংলুনু-শোকপা য়াবা লৈ। নাপল তৌরদি অচানবা কাইননি অদুনা নোল্লুক্লা চৎপা ফগনি। অরং অরাক পিথোক্কনু, ৱা য়াম্না ঙাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- তুংগী খল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : নিংবা থুংগনি, মীংচৎ ফংগনি, মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি,পন্দুনা লৈরম্বা শেল ফংগনি অমদি অথেংবদা অফবা মফম ফংগনি। হকচাংগীদি খরা চেকশিনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কুম্বা : মাই পাক্কনি, ললোন ইতিক্তা শেন্দোং য়াম্না ফংগনি, য়েৎনরম্বা কোক্কনি অমদি অনৌবা থবক পাংবা য়াগনি। অদুবু কাইনবগী নুংঙাইতে অমদি কিবা পোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্না নুংঙাইবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : মীয়ামগী মতেংনা নরল চাওখৎলু হায়বা নুমিৎনি। অদুবু অনা অয়েক অমদি নাপলনা মাঙহনবা য়াবদি লৈ অদুনা শাজৎ হৈবা ফগনি। খুৎচাও থাগনু মাঙজবনা হেল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।